# য়ুএস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা শেম শারে হায়না কিম জোং উনগী মচন্নুপীনা ৱার্নিং তৌখ্রে



সিওল, মার্চ ৭ (এজেন্সী):
হিরম খুদিংমক্তা ইথিল চাওনা পীবা ঙন্বী নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনগী মচলনুপীনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মায়োক্তা মহাক্কী লৈবাক্না অকনবা এক্সন লৌখৎনবা শেম শারে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৱার্নিং তৌখ্রে।

য়ুএসনা নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা মিলিটরিগী মতিক ময়াই উৎননবা হোৎনরদুনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং পুবা ঙম্বা বি-৫২ বোম্মর অমা পাইখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা ৱার্নিং অদু পীখিবনি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ুএস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী অপুনবা ট্রেনিংদা বি ৫২ বোম্মর অদু কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী মথক্তা পাইখিবনি। মদু হৌখিবা থা খরা অসিগী মনুংদা মীচং লৈবাক অনীনা পরিং নাইনা পাঙথোরকখিবা মিলিটরি দ্রিলশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি।

মীচং লৈবাক অনীনা থা অসিগী অথেংবা শরুক্তা মখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা ফিল্ড এক্সর্সাইজশিং হান্নগুম্না অমুক পাঙথোক্লনবসু শেম শারিবনি। কিম জোং উনগী মচলনুপী কিম য়ো জোংনা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট অদুদা করি করি এক্সন লৌখৎনবা থৌরাং তৌরিবগে হায়বগী মতাংদা শেংনা পন্দ্রবসু নোর্থ কোরিয়ানা য়ুএস-সাউথ কোরিয়ন মিলিটরি দ্রিলসকী পাউখুম ওইনা মিসাইল টেষ্ট লোঞ্চ তোইনা পাঙথোক্কুনা লাকখি।

লৈবাক অনীগী অপুনবা মিলিটরি দ্রিলশিং পিওংয়াংনা লান্দনবা হোৎনবগী রিহার্সেল অমনি হায়রদুনা মদুগী রেস্পোন্স ওইনা মিসাইলশিং তোইনা লোঞ্চ তৌখিবনি।

ষ্টেট মেদিয়ানা ফোংখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুদা কিম য়ো জোংনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না মতম চুপ্পদা য়ুএস ফোর্সশিং অমসুং সাউথ কোরিয়াগী পপেট মিলিটরিনা পোত্থাবা নাইদনা চথরক্লিবা মিলিটরিগী খোঙথাংশিংদা মীৎয়েং থমদুনা লৈ। ঐখোয়গী জজমেন্ট মতুং ইন্না মতম অমদা হেক্তা অসিগুম্বা মিলিটরি খোঙথাংশিং অসিগী মায়োক্তা য়াম্না থুবা মওংদা অকনবা অমসুং মতিক চাবা এক্সন লৌখৎননবা ঐখোয়না শেম শাদুনা লৈ। ঐখোয়গী মায়োক্তা মিলিটরিগী মতিক ময়াই উৎলদুনা চথরক্লিবা জেইন্ট দ্রিলশিং অমদি য়ুএস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম কয়া অসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না তঙাই ফদনা মখোয়গী থবক থৌওংশিং অদুবু মায়োক্লনবা অকনবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা শেম শারকপনি।

পনবা য়াবদি, নিংথৌকাবা নুমিৎকী ট্রেনিং অদুগী মতুংদা সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা বি-৫২ বোম্মর দিপ্লোই তৌরিবা অদুনা মীচংশিং অসি নোর্থ কোরিয়াগী অকন অরিং শিংবগী থৌওংশিং লেপহনবা ঙম্বগী মতিক চাবা কেপাসিটিশিং লৈ হায়বদু উৎলি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা য়ুএসনা অশানবা বি-১বি বোম্মর অমা নত্তগা বি-১ বি কয়া পেনিন্সুলা অদুদা কয়ারক হন্না দিপ্লোই তৌখি। হৌখিবা থাদা য়ুএস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা ৱাশিংতনদা সিম্যুলেসন অমসু পাঙথোকখি। মদুগী পান্দমদি নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র থ্রেটশিংগী মায়োক্তা মখোয়গী রেস্পোন্সশিং হেন্না ফগৎহনবনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুএসকী মিলিটরিশিংনা লাউথোকখিবদা মখোয়না মার্চ ১৩ দগী ২৩ ফাওবা কম্প্যুটর-সিমুলেটেদ কম্মান্দ পোষ্ট ট্রেনিং অমা কন্দক্ট তৌরগনি হায়না পনখিবনি। নোর্থ কোরিয়াগা দিপ্লোমেটিক মরি ফগৎহন্নবা হোৎনরদুনা মীচং লৈবাক অনীনা কুমজা ২০১৮ দগী মখোয়গী রেগ্যুলর দ্রিলশিং হন্থহনখিবা নত্তগা কেন্সেল তৌবনচিংবা লৈখ্রবনি।

# কানাদাগী মীখলদা চাইনানা খুৎ থিংজিনবগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট প্রোব চত্থরগনি



ওটাৱা, মার্চ ৭ (এজেন্সী):
হন্দক্তা পাঙথোকখিবা কানাদাগী মীখলদা চাইনানা খুৎ থিংজিনখি হায়বা ৱাফমশিংগী মতাংদা ইন্দেপেন্দেন্ট স্পেসল রাপোর্টর অমনা প্রোব চত্থরগনি হায়না কানাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ট্রুদোনা ফোঙদোকখ্রে।

গভর্ণমেন্টনা এপোইন্ট তৌবা ইনভেষ্টিগেটর অদুনা কুমজা ২০১৯ অমসুং ২০২১ গী ফেদরেল ইলেক্সনশিংগা মরী লৈনবা ক্লাসিফাইদ রিপোর্টশিং রিভিয়ু তৌগনি অমসুং মতুংগী কন্টেষ্টশিংগীদমক্তা রিকমেন্দেসনশিং পীগনি হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রাইবেল পোলিটিবেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংনদি পব্লিক ইনক্বারি অমা চত্থনবা দিমান্দ তৌবা লৈখ্রবনি। অমরোমদা, চাইনানা মীখলদা খুৎ থিংজিনখি হায়বা ৱাফম অসি য়াখিদবগা লোয়ননা অদুগুম্বা ক্লেমশিং তশেংনা য়ুম্ফম য়াওদে অমসুং চাইনাবু মিংচৎ থিহন্নবা চত্থরকপা থৌওংনি হায়রদুনা রিজেক্ট তৌখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওটোৱাদা পার্লিয়ামেন্ট হিলদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখিবা ট্রুদোনা হায়খি, মদুদি কানাদাগী সোভরেন্টি শীংনরিবা রিপোর্টশিং অদু য়াম্না নুংনাংনিংঙাইনি। মদুনা কানাদিয়নশিংবু অদুক্কী মতিক শোকহন্নিংঙাই ওই। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা ঐহাক্না ইন্দিপেন্দেন্ট স্পেসল রাপোর্টর অমা এপোইন্ট তৌরগনি।

মহাক্না ঐখোয়গী দিমোক্রেসিবু হেন্না মপাঙ্গল লৈহন্নবা অমদি মপানদগী খুৎ থিংজিল্লকপা থেংননবা এক্সপার্ট রিকমেন্দেসনশিং পীগনি। রাপোর্টর অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খন্দ্রি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা এপোইন্টমেন্ট অদু পাঙথোকপা য়াই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর ট্রুদোনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মপানদগী খুৎ থিংজিল্লকপগী মতাংদা রিভিয়ু অমা হৌনবা অমদি ফাইন্দিংশিং পার্লিয়ামেন্টদা রিপোর্ট তৌরক্নবা মহাক্না পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিং অমসুং নেসনেল সেক্যুরিটি এন্দ ইন্টলিজেন্স কম্মিটি ওফ পার্লিয়ামেন্টরিয়ন (নাসিকোক) কী সিনেটরশিংদা খঙহল্লগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি চাইনানা অমদি ইরান অমসুং রসিয়ানা মীখলদা খুৎ থিংজিন্নবা মতম শাংনা তোইনা হোৎনদুনা লাকখিবা অসি কানাদানা খঙই। লৈবাকশিং অসিগা লোয়ননা অতৈ নন-ষ্টেট এক্টরশিংনা ঐখোয়গী দিমোক্রেসিদা নত্তনা ঐখোয়গী লৈবাক্তা খুৎ থিংজিন্নবা কয়ারক হন্না হোৎনখি।

# বাকমুট দিফেন্দ তৌবগী ওপরেসনশিং মখা তানা চত্থখিগনি: বোলোদিমির জেলেন্সি



কিভ, মার্চ ৭ (এজেন্সী):
বাকমুট দিফেন্দ তৌবগী ওপরেসনশিং মখা তানা চত্থখিগনি অমসুং সিটি অসিগী ঙাকশেলগী থৌরাংশিং কনখৎহন্নবা আর্মিদা খঙহনখ্রে হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙলদুনা জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি বাকমুটতা লৈরিবশিংবু মতেং পাঙননবা মতিক চাবা ফোর্সশিং থীননবা ঐহাক্না চীফ ওফ ষ্টাফতা খঙহনখ্রে। য়ুক্রেনগী মফম অমত্তা কনামত্তনা থাদোক্লগা চৎলগনি হায়রক্লোই।

বিবিসিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি নাকল অনীগী কনফ্লিক্টতা মীশি মীনা অমদি অমাঙ অতা কয়া নঙনরকপগা লোয়ননা মোস্কোনা থা কয়া চুপ্পা বাকমুট সিটি লৌশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। অদুম ওইনমক রসিয়ানা সিটি অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রি হায়না সিটি অসিগী দিপ্যুটি মেয়র ওলেসান্দর মাচিনকোনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা রসিয়ন কেম্পেইন অদুদা শরুক য়ারিবা ৱেক্নর প্রাইভেট আর্মিগী হেদ য়েপদেনি প্রিগোজিননা লান অদুদা মহাক্কী ফোর্সশিং এম্যুনেসন ৱাৎলে হায়না কমপ্লেন্ট তৌখ্রে। মহাক্কী ফাইটরশিং অমসুং রেগ্যুলর রসিয়ন ফোর্সশিংগী মরক্তা ফ্রিক্সন লাক্লিঙৈ মরক্তা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্কী রিপ্রজেন্টেটিব রসিয়ন মিলিটরি হেদ ক্বার্টর্সতা চঙহন্দ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এনালিষ্টশিংনা হায়রি, মদুদি বাকমুট সিটি অসি ষ্ট্রেটেজিক ভেল্যু লৈত্রবসু ক্রেমলিনদা পোজিটিব পাউ পীননবা হোৎনরিবা রসিয়ন কম্মান্দরশিংনা মীৎয়েং চঙবা মফম অমা ওইরি। সিটি অদু পায়শিনবা তারবদি রসিয়ন ফোর্সশিংনা দোনেটস রিজন অপুম্বা পায়শিনবা ঙম্বগী পান্দম অদু ফঙবগী লম্বী নকশিল্লগনি হায়রি।

রিজন অদু রসিয়াগী মপানদা নমথাক্লি হায়না পাক শন্না কন্দম তৌনখিবা রিফরেন্দমশিং পাঙথোকখিবা মতুং হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা লৌশিনখিবা য়ুক্রেনগী নোংপোক অমসুং খাথংবা শরুক্কী লমদম মরিগী মনুংদা অমনি।

# নেপালগী পিএমগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌখ্রে

কাঠমান্দু, মার্চ ৭ (এজেন্সী):
চহী তরা চুপ্পা চত্থখিবা আর্মদ কনফ্লিক্টকী মতমগী কেসশিংগা মরী লৈননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর পুষ্প কামল দাহল (প্রচান্দ) গী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টকী মায়োক্তা রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌখ্রে।

পিটিসন অদুনা প্রচান্দবু কুমজা ১৯৯৬ তগী ২০০৬ ফাওবদা থোকখিবা মাওইষ্ট ৱার মনুংদা মীওই ৫০০০ শিখিবগী থৌদাং লৌফম থোকই হায়না মরাল শীরি। লান অদু সি পি এন-মাওইষ্ট পার্টিগী চিয়ারমেন ওইনা মহাক্না লূচিংখিবনি হায়না পিটিসন অদুদা পল্লি।

লান অদুদা মীওই ৫০০০ শিখিবগী থৌদাং লৌননবা মহাক্না শেম শারে হায়না দাহলনা পীখিবা পব্লিক ষ্টেটসমেন্টদা য়ুম্ফম ওইবা পিটিসন অদু ফেমিলি কয়াগী মেম্বর কয়ানা ফাইল তৌখিবনি।

চহী খরগী মমাঙদা প্রচান্দনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমদা নেপালগী মাওইষ্ট ইন্সর্জেন্সিদা শিখিবা মীওই ১৩,০০০ গী মনুংদা মহাক্না শুপ্নগী মীওই ৫০০০ গী থৌদাং লৌগনি হায়না পনখিবনি।

পিটিস্নরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এদভোকেট জ্ঞানেন্দ্র রাজ অরাননা হায়রিবদি দাহলগী ৱারোল অদুনা ভিক্তিমশিংগী ইমুংশিংদা শোকহনবা মরম্না মখোয়না খোঙথাং অদু লৌখৎনবা ৱারেপ লৌখিবনি। ঐখোয়দা পোলিটিকেলগী ইথিলগা লোয়ননা থবক তৌবগী চৎনবা লৈতবনা কোর্টনা লৌরকপা ৱারেপশিং ঐখোয়না য়াগনি হায়না অরাননা ফোঙদোকখি।

নেপালগী সুপ্রিম কোর্টকী মতুং ইন্না কেস অদুগী প্রিলিমিনরি হিয়ারিং শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোক্লবা লেপ্লে। সুপ্রিম কোর্টনা মসিগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা কেস রেজিষ্টর তৌনবা দিরেক্সন পীখ্রে। লানগী মতমগী কেসশিং অমদি হ্যুমেন রাইটস এব্যুস তৌবগী কেসশিং লেম্না থারোই হায়রদুনা নেপালগী এপেক্স কোর্ট অসিনা এদমিনিষ্ট্রেসনদা দিরেক্সন অদু পীখিবনি।

কেস অদু রেজিষ্টার তৌদ্রিঙৈগী মমাঙ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা প্রচান্দনা লুচিংদুনা মাওইষ্ট পার্টিশিংগী তোঙান তোঙানবা ফেক্সন নিপানগী মীফম অমা পাঙথোকখি অমসুং নেপালগী মতম শাংলক্লবা পিপলস ৱারগী মায়োক্তা লৌতুনরকপশিং থেংনগনি।

# ক্লাইমেট এক্সনশিংদা য়ুনিটি মথৌ তাই: সি ও পি ২৮ প্রসিদেন্ট-দেজিগনেট



হ্যুষ্টন, মার্চ ৭ (এজেন্সী):
ইনর্জি ট্রাইলেমা য়েংশিনবা অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জ থেংনবদা য়ুনিটি অমসুং ৱাখল মান্নবা মথৌ তাই হায়না সি ও পি-২৮ য়ু এ ই প্রসিদেন্ট-দেজিগনেট সুলটান অল জাবেরনা ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা হ্যুষ্টনদা গ্লোবেল ইনর্জি ফোরম সি ই আর এ ৱিক্তা পীবা কি নোট এদ্রেসতা মহাক্না হায়খি, মদুদি মসি ষ্টেক হোল্ডর খুদিংমক্না য়ুনিটি লৈনা অমসুং মত মান্ননা থবক তৌদুনা গ্লোবেল সোলূসনশিং পুথোকপা চঙবা গ্লোবেল চেলেঞ্জ অমনি।

সোলিদারিটিগী সিওপি, এক্সনগী সিওপি অমসুং খুদিংমক্কী সিওপিগা লোয়ননা ঐখোয়না মচোই মচোই তান্নরবা মালেম অসিদা য়ুনিটি লৈহল্লসি। ঐখোয় খুদিংমক্না মান্নবা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা ঐখোয়গী পান্দম অদু ফঙবা ঙম্নবা মান্নবা দিরেক্সনদা চৎমিন্নবা মথৌ তাই।

মচোই মচোই তান্নবদগী য়ুনিটি লৈবনা হেন্না ঐখোয়দা থবক তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈহনগনি হায়না মহাক্না দেলিগেটশিংদা ফোঙদোকখি।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না য়ুএন ফ্রেমৱার্ক কনভেন্সন ওন ক্লাইমেট চেঞ্জকা মরী লৈনবা কনফরেন্স ওফ দ পার্টিসগী ২৮ শুবা সেসন (সি ও পি ২৮) চহী অসিগী অথেংবা শরুক্তা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস (য়ু এ ই) গী দুবাইদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

অবু দাবি নেসনেল ওইল কম্পেনিগী চীফ একজিক্যুটিবসু ওইরিবা অল জাবেরনা হায়খি, মদুদি কুমজা ২০৩০ য়ৌরকপদা মালেম অসিদা অহেনবা মীওই বিলিয়ন তঙ্খায় অমা লৈরগনি। মখোয়না চহী খুদিংগী অহেনবা ইনর্জি দিমান্দ তৌরক্কনি।

অমরোমদা, মালেম অসিদা চহী খুদিংগী ইন্মিসনগী চাং চাদা ৭ ফাওবা হন্থহনবা মথৌ তারক্কনি। চহী তরেৎ ফাদবা মতমগী মনুংদা ইন্মিসনগী চাং চাদা ৪৩ ফাওবা হন্থহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা চহী খুদিংগী ইন্মিসন চাদা ৭ হন্থহনবা মথৌ তাগদৌরিবনি। ফাইনান্সিএল কম্যুনিটি অপুম্বনা হেন্না চাওবা থৌদাং লৌবা মথৌ তাই।

কুমজা ২০২২ দা মালেম্না ইনর্জি ট্রাঞ্জিসনদা দোল্লর ট্রিলিয়ন ১.৪ ইনভেষ্ট তৌখি। আই ই এগী মতুং ইন্না ঐখোয়না এমাউন্ট অসিগী শরুক অহুম হেন্না ইনভেষ্ট তৌবা মথৌ তাই।

চৈরকসিদা মালেমগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৪০ লৈরিবা দিভলপ্পিং ইকনোমিশিংদা ক্লিন টেক ইনভেষ্টমেন্ট চাদা ১৫ দমক য়ৌই হায়নসু অল জাবেরনা ফোঙদোকখ্রে।

পেরিস ক্লাইমেট এগ্রিমেন্টনা পীখিবা মেন্দেট মতুং ইন্না সিওপি ২৮ য়ু এ ইনা অহানবা গ্লোবেল ষ্টোক টেক হায়বদি ক্লাইমেট গোলশিংগী মায়োক্তা পায়খৎলিবা থবকশিংগী প্রোগ্রেস মপুং ফানা ইভালুএসন চত্থগনি।

# জুদিসল রিফোর্মগী থৌরাং লেপ্পনবা ইজরেল্লি ওপোজিসন লিদরশিংনা পিএমদা তকশিনখ্রে



জেরুসালেম, মার্চ ৭ (এজেন্সী):
লৈবাক শীন থুংনা প্রোটেষ্টশিং থোকহল্লিবা জুদিসল রিফোর্ম প্লান লেপ্পনবা অমসুং ৱারী শান্নবা ইজরেলগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর য়েয়ার লাপিদ অমসুং হান্নগী দিফেন্স মিনিষ্টর বেনিগান্সনা প্রাইম মিনিষ্টর নেটন য়াহুদা তকশিনখ্রে।

সেন্ট্রিস ওপোজিসন পার্টি অনীগী লূচিংবশিং ওইরিবা লাপিদ অমসুং গান্সনা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি দিমোক্রেসি অমসুং নেসনেল য়ুনিটি প্রিজার্ব তৌগদবা দাইলোগ অমা পুকচেল শেংনা অমদি ইফেক্তিব ওইনা চত্থনবগীদমক্তা নেটন য়াহুনা লেজিসলেটিব প্রোসেস মপুং ফানা অমদি থাঙ্গৈশেংনা লেপ্পগী ৱাফম লাউথোক্কদবনি।

ইজরেল অসি হৌজিক নেসনেল ইমর্জেন্সি লাকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। নেটন য়াহুনা মহাক্কী থৌরাং লেপ্পু য়াদ্রে হায়না হান্নগী লূচিংবা অনী অসিনা ৱার্নিং তৌখি। রিলিজস-নেসনেলিষ্ট কোল্লিসন গভর্ণমেন্টগা ৱারী শান্নবা হোৎনবা খুদিংমক ফেল ওইরে হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি।

প্রো-সেট্লর রিলিজস জিওনিজম পার্টিগী লূচিংবা অমসুং ফাইনান্স মিনিষ্টর বেজালেল স্মোট্রিসনা লাপিদ অমসুং গান্সকী ষ্টেটমেন্ট অদুবু পোলিটিকেল ইথিল য়াওই হায়রদুনা য়ানিংদবা উৎখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা মহাক্না হায়খি, মদুদি পোলিটিকেল পার্টি অনীগী লূচিংবশিং অসিনা গভর্ণমেন্টবু চিংথুবা পাম্মী। মখোয় থাঙৈশেংনা ৱারী শান্নবা পাম্বা নত্তে। নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রসিদেন্ট আইসাক হেরজোক্নসু দাইলোগ চত্থনবা আপিল তৌখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা মহাক্না হায়খি, মদুদি রিফোর্মগী ৱাফম অদুগী মতাংদা কোল্লিসন অমসুং ওপোজিসনগী মরক্তা ৱারী শান্নহন্নবা মহাক্না তুমিন্না হোৎনদুনা লাকখি। হেরজোক্কী মতুং ইন্না নাকল অনী মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা নকশিন্নদুনা ৱাথোক ওইরবা রিফোর্মগী থৌরাং অসিগী মতাংদা এগ্রিমেন্ট অমা পুরকপা য়াবগী ফিভম লাক্লে।

কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বরগী অথেংবা শরুক্তা ৱাশক লৌখিবা নেটন য়াহুগী অনৌবা গভর্ণমেন্টনা ইজরেলগী লিগেল সিষ্টেমদা অহোংবা চাওনা লাকহন্নবগী থৌরাং অমা থুনা পুথোরকখিবনি। থৌরাং অদুনা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা ইজরেলদা অহানবা ওইনা অচৌবা প্রোটেষ্টশিং থোকহনখি। গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা মখা তানা লিমিট থম্নবা অমদি অনৌবা জজশিংগী এপোইন্টমেন্টগী মতাংদা অহোংবা লাকহন্নবা হোৎনরক্লিবা অদুবু প্রোটেষ্ট তৌরদুনা ইজরেল্লি লিশিং কয়ানা থা অনীরোম লেপ্তুনা লম্বীশিংদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট চত্থরকখিবনি।

# ক্লাইমেট চেঞ্জনা জমর্নিগী শেল থুমদা চাওনা শোকহল্লগনি: ষ্টদি

বর্লিনর, মার্চ ৭ (এজেন্সী):
ক্লাইমেট চেঞ্জনা জমর্নিগী ইকনোমিদা শোকহনবনা মরম ওইদুনা কুমজা ২০৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসি শেলগী ভেল্যুদা য়ুরো বিলিয়ন ৯০০ ফাওবা মাঙলগনি হায়বসি মিনিষ্ট্রি ফোর ইকনোমিক এফিয়র্স এন্দ ক্লাইমেট এক্সন (বি এম দব্লিয়ু কে অমসুং মিনিষ্ট্রি ফোর দ ইনভাইরনমেন্ট, নেচর কঞ্জার্বেসন, ন্যুক্লিয়র সেফতি এন্দ কঞ্জ্যুমর প্রোটেক্সন (বি এম য়ু বি) না ফোঙবা ষ্টদি অমনা উৎখ্রে।

শাবগী চাং খজিক্তং হেনগৎলকপগী ফিভম লৈবা খ্বাইদগী ফবা কেসকী সিনারিওনা ফাওবা হায়রিবা মতম অসিদা য়ুরো বিলিয়ন ২৮০ রোম মাঙহনবা য়াই হায়না ষ্টদি অদুদা পল্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়রি, মদুদি শেল ওইনা পাঙবা য়াবা ইফেক্টশিং অসিগী মথক্তা হিট ৱেবশিং অমসুং ঈশিং ঈচাও, ইকো সিষ্টেমদা হোংলকপা, বাইও দাইভর্সিটি মাঙলকপা অমসুং লাইফকী ক্বালিটি হন্থরকপনা মরম ওইদুনা মখল মখা কয়াগী লায়না তিলনাশিং অমদি মীশি মীনাশিংসু থোক্লক্কনি। ক্লাইমেট চেঞ্জনা ঙসি শেল থুমদা চাওনা শোকহনবা হৌরবনি হায়না পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেট সেক্রেটরি ষ্টেফান ৱেঞ্জালনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ক্লাইমেট প্রোটেক্সনদা ইনভেষ্ট তৌখিবা ঐখোয়গী য়ুরো খুদিংমক্না তুংদা ক্লাইমেট চেঞ্জকা মরী লৈনবা শাথিবা ইভেন্টশিংনা মরম ওইদুনা শেল থুমদা পাবদা মায়োক্লহনগদৌরিবা অমাঙবশিং অদুগী চাং হন্থহনগনি।

জর্মন রি ইন্স্যুরর ম্যুনিক রেনা হন্দক্তা থাদোরকখিবা ফিগরশিংগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২২ দা হরিকেনশিং, ঈশিং ঈচাওশিং অমসুং অতৈ নেচরেল দিজাষ্টরশিংনা মালেম পুম্বগী ওইনা দোল্লর বিলিয়ন ২৭০ রোমগী চাংদা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখি। ফিগর অসি কুমজা ২০২১ দা লৈখিবা অদুদগী হন্থরবসু হৌখিবা চহী খরগী ট্রেন্দশিংনা অসিগুম্বা অমাঙ অতা থোকপগী চাংশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি হায়বসি উৎলি।

ক্লাইমেট চেঞ্জনা মালেম অসিদা মাঙহন তাকহল্লিবা অমদি মীশি মীনা থোকহল্লিবসি লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি হায়না ম্যুনিক রেগী বোর্দ ওফ মেনেজমেন্টগী মেম্বর থোমাস ব্লঙ্কনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।

ব্লঙ্ককী মতুং ইন্না কুমজা ২০২২ দা থোকহনখিবা অমাঙ অতাশিং অদু মরু ওইনা মমাঙগী চহীশিংদগী তোইবা হেনবা অমদি কনবা হেনখিবা ইভেন্টশিংনা থোকহনখিবনি।

# য়ুএসকা মুক্নরকপা য়াই হায়না চাইনাগী অনৌবা ফোরেন মিনিষ্টরনা ৱার্নিং তৌখ্রে

বৈজিং, মার্চ ৭ (এজেন্সী):
করিগুম্বা ৱাশিংতন্না মসিগী থবক থৌওংশিংদা অহোংবা লাকহন্দবা তারবদি য়ুএস অমসুং চাইনাগী মরক্তা শোয়দনা মুক্নবগী ফিভম লাক্কনি হায়না চাইনাগী অনৌবা ফোরেন মিনিষ্টর কিং গাংনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্সতা মহাক্না ৱার্নিং অসি পীখিবনি। প্রেস কনফরেন্স অদুদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্না চাইনা অমসুং রসিয়াগী মরী চেৎশিল্লক্লিবদু হৌজিক লৈরিবা মালেমগী ফিভম অসিদা য়াম্না মথৌ তাবা অচুম্বা খোঙথাংনি হায়খি।

ফোরেন মিনিষ্টর ওইনা মেদিয়াদা অহানবা ওইনা ৱা ঙাঙখিবা কিং গাংনা লাক্লিবা চহী খরগী ওইবা চাইনাগী ফোরেন পোলিসি এজেন্দাগী চাওরাকপা শক্তম অমা উখি। মহাক্না বৈজিং অমসুং মোস্কোগী মরী অসি মফম কয়াদা কনফ্লিক্টকী ফিভমশিং লৈরিঙৈ মরকসিদা পাঙ্গল অমসুং তং তাবা লাকহনবদা মথৌ তাবা মরীনি অমসুং য়ুএস অমসুং মসিগী মীচংশিংগী মরী অদুনা উংখৎনবা অমদি কনফ্লিক্টকী হৌরকফমনি হায়খি।

কিমনা হায়খি, ৱাশিংতন্না হিরম কয়াদা চাইনাগা কম্পিটিসন তৌনবদা হেন্নবা হোৎনবা ওইরবসু লৈবাক অসিগা কনফ্লিক্টকী ফিভম অমা লাকহনবদি পামদে হায়না ক্লেম তৌরবসু থাঙৈশেংবদি য়ুএস সাইদনা তৌরিবশিং অসিদি চাইনাবু নমথবা অমদি লাকশিন্নবা হোৎনবা খক্তনি।

করিগুম্বা য়ুএসনা মসিগী থবক থৌওংশিং অমদি খোঙথাংশিং লেপ্পগী মহুত্তা মখা তানা অরানবা লম্বীদা লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা তারবদি করিগুম্বা মখল অমত্তনা মখোয়গী খোঙথাংশিং অদু ফেল ওইরকপা য়াবগী ফিভমদগী কনবা ঙল্লোই। মতম অদুদা য়ুএস অমসুং চাইনাগী মরক্তা কনফ্লিক্ট শোয়দনা লাক্কনি।

# কেপিটোল রাইওট কেসতা চেন্নবা নুপী কোর্ট কারক্তবদগী এফ বি আইনা থীখ্রে



ৱাশিংতন, মার্চ ৭ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২১ গী জনুৱারী ৬ তা য়ুএস কেপিটোলদা থোকখিবা রাইওটকা মরী লৈনবা ফেদরেল চার্জশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ট্রাইয়েল চত্থগদৌরিবা নুপী অমা ৱাশিংতন-দিসিদা লৈবা কোর্ট অমদা কারক্তবদগী ফেদরেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (এফ বি আই) না মহাকপু থিবগী ওপরেসন অমা চত্থখ্রে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট জজ কাল নিকোসকী মতুং ইন্না ফ্লোরিদাগী ওলিবিয়া পোরোক হায়রিবী নুপী অদু নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা কোর্ট কারকফম থোকপদা মহাক কোর্টতা লাকখিদবনি। মহাক্না কোর্টতা লাক্তবদুনা মরম ওইদুনা ট্রাইয়েল অদু পোলোক্কী কো-দিফেন্দেন্টশিংগী মনুংদগী অনীগা লোয়ননা চত্থরগনি অমসুং মহাক্না তোঙান্না ট্রাইয়েল চত্থরগনি হায়না নিকোলসনা রুল্লিং পীখি।

মহাকপু ফাননবা ইস্যু তৌখিবা ৱারেন্ট অমগী মতুং ইন্না কোর্ট ওফিসলশিংনা ফেব্রুৱারীগী অথেংবা শরুক্তগী পোলোক থীবা ঙমদনা লাক্লি। গভর্ণমেন্টনা পোলোকপু থিরম্বগী থবক অদুসু মহাক্না কোর্টতা লাক্তুনা ট্রাইয়েল অদুবু মায়োক্নবা উরকখিদবা অদুদগী হেন্না কনশিলখিবনি।

সি এন এনদা ৱা ঙাঙখিবা পোলোক্কী উকিল ইলিতা অমাতোনা হায়খি, মদুদি পোলোক মাঙদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্কী ক্লাইন্ট অসিনা মহাকপু লাক্লিবা ট্রাইয়েল অদুগীদমক্তা মপুং ফানা মতেং পাঙখি। অমাতোনা মহাক্কী ৱারেন্ট অদুগা মরী লৈননা মহাকপু মতেং পাঙননবা অমসুং গাইদেন্স পীননবা শেম শারে।

সি এন এনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না পোলোক অসি কেপিটোলদা লৈবা পুলিসতা এটেক তৌবগী মরাল শীখিবা ফ্লোরিদিয়ন কাঙবু অমগী মরক্তা য়াওবা হৌজিক্না মিচেল ওইরবা অহুমশুবা দিফেন্দেন্টনি।

মহাক্কী মবুং জোনাথোন পোলোকসু কুমজা ২০২১ গী জুলাইদা অহানবা ওইনা চার্জ তৌখিবদগী কোইচেন চেন্দুনা লাকখি। মহাক্কী মরমদা পাউ পীবদা শেলগী মনা ১৫,০০০ দোল্লর পীগনি হায়না এফ বি আইনা লাউথোকখ্রবনি।

পোলোক্কী কো-দিফেন্দেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জোসেফ হোচিনসোন ফানবগী ৱারেন্ট অমসু নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইস্যু তৌখিবনি।

# য়ুএসকী অথিংবশিংনা শোকহন্দনবা রসিয়া অমসুং ক্যুবানা হোৎনরি

হাবানা, মার্চ ৭ (এজেন্সী):
য়ুএসকী অথিংবশিংনা ইকনোমিক কো ওপরেসনদা শোকহন্দনবা রসিয়া অমসুং ক্যুবানা শেল থুমগী মেকানিজম কয়া ইমপ্লিমেন্ট তৌরে হায়না কেরিবিয়ান লৈবাক অসিদা লৈরিবা রসিয়ন এম্বেসেদর এন্দ্রি গুস্কোবনা ফোঙদোকখ্রে।

গুস্কোবকী ৱারোল পল্লদুনা আরটিগী রিপোর্টতা হায়, ইন্দিপেন্দেন্ট সেটলমেন্ট মেকানিজমশিং হৌজিক মায় পাক্না ইমপ্লিমেন্ট তৌরি। মসিনা ক্যুবাগা শেল থুমগী লমদা পীনরিবা কো ওপরেসনদা য়ুএসকী লল্লোন ইতিক অমদি শেল থুমগী ব্লোকেদনা শোকহনবা ঙল্লোই। অসুম্না লৈবাক অনীনা মরুপ মপাং ওইদবা ষ্টেটশিংগী ফাইনান্সিএল ওর্গনাইজেসনশিং বাই পাস তৌদুনা অচেৎপা মরী লিংবা ঙমগনি।

নোংচুপলোমগী অথিংবশিংনা শোকহন্দনবা নত্তগা অথিংবশিংগী ইফেক্ত হন্থহন্নবা লৈবাক অনীনা রাবল অমসুং ক্রিপতো করেন্সিশিংগা লোয়ননা ক্লিয়ারিং স্কিমশিং য়াওনা মুচুৱেল সেটলমেন্টশিংগী ওইবা অনৌবা মেকানিজমশিং খন্নরি হায়না হৌখিবা জনুৱারীদা রসিয়া-ক্যুবা বিজিনেস কাউন্সিলগী চিয়রমেন বোরিস টিটোপনা ফোঙদোকখিবনি।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা শেল থুমগী অথিংবশিং কনশিল-হনখিবগা ইরোয়ননা মোস্কোনা এস দব্লিয়ু আই এফ টিগী ওল্টরনেটিব অমা ওইনা মসিগী এস পি এফ এস ইন্টরবেঙ্ক মেসেজিং সিষ্টেম প্রমোট তৌরকখি। লৈবাক ১৪ গী ফোরেন এন্টিটিশিং য়াওনা পার্টিসিপেন্ট ৪৭০ রোম এস পি এফ এস জেইন্ট তৌখ্রবনি।